খন্ন নৈনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) : হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর সাউথকী মীৎয়েং মখাদা ১১ শুবা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থাংবুং মিনৌ ভিলেজদা ময়াই কাবা দ্রগ অমদি য়ুগী মায়োক্তা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর সাউথনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, ময়াই কাবা চীঙাক্লা পীরক্লিবা অকায়বা কয়াগী মতাংদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্ননবা লেকচর প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি। ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা লেপমিন্ননবা থৌরম অদুদা অমত্তা ওইনা ৱাশক লৌমিন্নখি। তুংদা মেদিকেল চেক অপসু পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) : ময়াংলম্বম দাইনানা মোষ্ট করেজিং ৱুমেন ওফ দ ইয়ার ২০১৭ গী মীংথোল ফঙলকপদা নুংশিকোল পার্ককী ষ্টাফশিংনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। মিষ্ট্রেস ৱর্ল্ডৱাইদ ইন্টরনেসনেল ব্যুটি পজেন্টদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াবদা মোষ্ট করেজিং ৱুমেন ওফ দ ইয়ার ফঙলকখ্রবী দাইনা ময়াংলম্বম পার্ক অসিগী ব্রান্দ এম্বেসেদর অমা ওইরিবনি। নীংশিংবা য়াবদি দাইনা ময়াংলম্বম ঈপাক ফিল্ম প্রদক্সন্না পুথোকপা মণিপুরী ম্যুজিক ভিদিও এলবম *পাইনিংইদা পাইনিংই ঐসু* দা এক্ত তৌখিবনি হায়রি।

য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) : মোরেগী জে এস ষ্টুদিও অমসুং সংসাগী য়ুমগী মরক্তা থা অসিগী ২৬ কী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা বোম পোকখায়হনখিবগী থৌদোক অদুবু ফাইচম ভেঙ এদমিনিষ্ট্রেটিব কম্মিটিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

ফাইচম ভেঙ এদমিনিষ্ট্রেসন কম্মিটি মোরে ৱার্দ নম্বর ৩, ৪ অমসুং ৫ কী চ্যেয়রমেন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা মফম অদুগী মীয়াম্না অহিং মীংশেল খাঙদুনা অকিবা মায়োক্লরি। অসিগুম্বা লায়বক থিবা থৌদোক অসি থা খরগী মমাংদা মফম অসিমক্তদা থোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং মীশি মীনাদি য়াওখিদে। মীয়াম তীনবা মফমদা অসিগুম্বা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক অসি অমুক হন্না থোকহনবীগনু হায়রি।

হেল্ঠ দিরেক্টর ...

লামায় ১গী মখা... ফাওবা শাংদোকখিবদগী মহাক মখা তানা কন্সল্টেন্ট ওইনা থবক পায়গদৌরিবনি। পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৭ তা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমনা হেল্ঠ সার্ভিসেসকী মখাদা লৈবা স্পেসিএলিষ্ট দোক্তরশিংগী থবক্তগী পোথাবগী মতম চহী ৬৫ দা ওইননবা লেপ্পখিবা লৈখ্রবনি। অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল (থৌবাল)গী কন্সল্টেন্ট ওইনা থৌ পুরিবা ডা. পি শ্যামসুন্দর মেদিকেল দিরেক্টোরেট ইম্ফালদা এদিসনেল দিরেক্টর ওইনা ট্রান্সফর তৌখ্রে।

GAS TODAY

CANCHI INDANE SERVICE
Booking Upto:12/05/2017
Valid From:06/05/2017
Stk :306, Rs.625.50
Timing:08.00am to 10.00am

HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE
Booking Upto:13/05/2017
Valid From:10/05/2017
Stk :306
(Aadhar Link Consumers Only)
Timing:07.30am to 10.30am

IMPHAL LPG SERVICE
SI No. 12640
Booking Upto:17/05/2017
Valid From:09/05/2017
Stk :306

K&K INDANE SERVICE
Booking Upto:03/05/2017
Valid From:27/04/2017
Stk :612
Timing:07:30am to 11.00am
(First Come First Serve)

MM GAS SERVICE
Booking Upto:03/05/2017
Valid From:28/04/2017
Stk :306 (DBTL)
Timing:07:00am to 10.00am

MAHALAKSMI INDANE
Booking Upto:15/05/2017
Valid From:02/05/2017
Stk :306 (DBTL)
Timing:07.00am to 10.00am

MAIBIA GAS, MOIRANG
SL. NO. 2286 to 2980
Booking Upto:04/05/2017
Valid From:01/05/2017
Stk :306
Timing:07:00am to 11.00am

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:11/05/2017
Valid From:01/05/2017
Stk :306
Timing:07.30am to 10.00am

YAIRIPOK GAS SERVICE
SL. NO. 21035
Booking Upto:02/05/2017
Valid From:26/04/2017
Stk 14.2KG:270
Stk 19kg: 24
Timing:07:00am to 11.00am

মণিপুর অত্মা ইমপ্লোয়ী এন্নুয়েল মীট ২০১৭ লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) : লৌমীশিংদা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া খঙহন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা ওল মণিপুর অত্মা ইমপ্লোয়ী এন্নুয়েল মীট ২০১৭ ঙসি লময়ানবা শঙলেন ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সি ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর অত্মা ইমপ্লোয়ীজ এন্নুয়েল মীট ২০১৭ দা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. মোইরাংথেম নরানা হায়খি, মীফম অসিদা য়াওরিবা ইমপ্লোয়ীশিংনা কোওপরেটিব মেনেজমেন্টতা থৱায় য়াওনা হোৎনরি। হোৎনবা কনবা, শেল তুংশিনবা হায়বসি নুপাদগী নুপীনা হেল্লি। ইমুংগী অৱা অনা খঙবসি নুপীনা হেল্লি। নুপীশিংগী ওইবা কোওপরেটিব কয়াসু তৌরি। ইমপ্লোয়ী ময়াম উনবা মীফম অসিদসু নুপীনা হেন্না শরুক য়াই। টোকিয়োদা য়োকোমেন কোওপরেটিবতা নুপীনা য়াম্না লৈ।

পোলিসি য়াওদনা থবক তৌবা য়াদে। ওর্গনাইজেসন লৈরিবা অসিগী থৌদাং য়াম্না চাউই। লৌউ-শিংউনা শেন্দোং য়াম্না ফঙদে হায়না লৌনৈ। মপান লমগী লৌমী কয়া শেন্দোন্না য়ামনবদগী সুসাইদ তৌবা ফাওবা লৈখ্রে। মসি এগ্রিকলচর পোলিসি শোয়বদগী লাকপা ঙাক্তনি। মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশতা লৈরিবা লৌমীশিং তিলহৌ পুথোকপা ঙমদ্রে। বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী লৌমীশিং হেন্না শোকপা হেল্লি।

লৌউ-শিংউগী পোত্থোক কয়া মমল হন্থরকপদগী পেন্দবা খোল্লাউ কয়া লাউবসু লৈ। লৌমীশিংনা ৱাখল্লোন মান্নবা ময়াম পুনশিন্দুনা চাউখৎপা পুরক্নবা হোৎনসি। খুন্নাইগীদমক থবক কয়া পায়খৎসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুর এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সী ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি দব্লিউ নিপেন্দ্রনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, অত্মা হায়বসি সেন্তরগী স্পোন্সর স্কীমনি। মসিনা সেরিকলচর, এগ্রিকলচর, ভেটিরিনরিগী অনৌবা হোংলক্লিবা কয়া অসি খঙহন্নবা হোৎনবা স্কীমনি। অনৌবা টেক্নোলোজিগী কান্নবা ফঙহন্নবা লৈরিবনি। অত্মাগী ইমপ্লোয়ী অসি মণিপুরগী ওইনা ২৪৬ রোম লৈ। মসি চহী অমগী কন্ত্রেকনি। মার্চতগী অমুক এক্সটেন্ট তৌরগা মখা তানা পুহনগনি। অত্মাগী ইমপ্লোয়ীশিং অসি দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ব্লোক্তা লৈবা ঙাক্তনি। লৌমীশিংগা হেন্না নকশিন্নবা মরী লৈবা চঙই। ফার্মরশিংবু টেক্নোলোজি হোংলক্লিবা কয়া খঙহনগদবনি। লৌমীশিং এক্সপোজর ভিজিট থায়। মণিপুরগী মপানদা লৌমীশিংনা শীজিন্নরিবা টেক্নোলোজিশিং অসি য়েংহন্দুনা খঙহল্লি। টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা পোত্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা সামেটিগী রিটায়র্দ দিরেক্তর ময়াংলম্বম গোজেন্দ্র অমদি ষ্টেট একাদেমি ওফ ত্রেনিংগী ফেকল্টি ৱাই লালবাবুনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

হুরাল্লকপা গাড়ী লৈরুবা নুপা ১ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী টিম অমনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ গা মিনিট ১০ রোম তাবদা অয়াংপল্লি রোড পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা এরিয়াদা থি-হুম্বা চথবদা নুপা অমা ফারে। মহাক্কী মমিং হৈক্রুজম বিজান্দো (৩৭) অপোকপা মংলেম কৌই। মহাক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোংব্রম ময়ায় লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

মঙোন্দগী স্বিফট কার (এম এন ০৭দি-২৪৯৩) অমা ফংলে। মঙোন্দা মখা তানা ৱাহং পাউহং চথবদা মহাক্না শিজিন্নরম্বা গাড়ী অদু নিংথেম কৌবা অমদগী লৈবনি হায়রি। মহাক মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

গ্রেটর নাগালিম শেম্বগী ৱাফম ...

লামায় ১গী মখা... হায়বদুগী মতাংদা চপ চানা য়ানবা ঙমদ্রি।

কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্টতা সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)গী মরক্তা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনবা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, এন এস সী এন (কে)সু অথুবা মতমদা পিছ প্রোসেসতা শরুক য়ারক্তুনা ৱারী শানবদা য়াওরক্লগনি হায়না গবর্ণমেন্টনা থাজবা ফোঙদোকখ্রে। কুমজা ২০১৫ গী এপ্রিলদা পিছ প্রোসেসতগী খোঙ থাংদোকখিবগা লোয়ননা অৱাং-নোংপোক লমদমদা লাল হৌরিবা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (ইন্দিপেন্দেন্ট) অমসুং নেসনল দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোরোলেন্দ (সোংবিজিট ফেক্সন)গা খুৎশম্নদুনা অপুনবা লূপ অমা শেমখ্রবনি। অদুমওইনমক এম ঐচ এগী ছোর্স অমনদি অথুবা মতমদা এন এস সী এন (কে)সু পিছ প্রোসেসতা য়াওরকপা য়ানা লৈরে হায়রি।

বাইওদাইভর্সিটি কন্নবা পাম্বে ...

লামায় ১গী মখা... মখলগী ওর্কিদ, মেদিসনেল প্লান্ট অমদি অতাংবা শামখল খরা লৈবগীদমক মণিপুরনা মমিং চৎলিবনি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হায়রিবা বাইও রিছোর্স পূম্নমক চাউখৎহন্নবগী পান্দমদা ষ্টেট লৈঙাক্লা তোঙান-তোঙানবা ফেষ্টিবেলশিং পাঙথোক্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো, আদিয়া প্রসাদ পান্দে, দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিগী এদভাইজর ডা. টি মদন মোহন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লাইফ সাইন্স দিপার্টমেন্টকী দিন প্রো. দব্লিয়ু বিস্বনাথ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকনমিক্সকী হেদ প্রো. অমর য়ুম্নাম, ফিজিকেল এন্দ মেথমেটিকেল সাইন্সেসকী দিন ওফ স্কুল প্রো. এন রাজমুহোন, ইন্সটিট্যুট ওফ লাইফ সাইন্সেস ভুবনেশ্বরগী দিরেক্টর ওইরম্বা ডা. বি রবিন্দ্রন অমসুং ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্টকী দিরেক্টর প্রো. দিনবন্ধু সাহুসু প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

য়ুনিয়ন গবর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিগী স্পোন্সরশিপ মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদভান্স লেবেল ষ্টেট বাইওটেক হব, দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওকেমিষ্ট্রিনা শীন্দুনা নুমিৎ নীনিগী ওইবা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

চাকথোং গ্যাস ব্লেক্তা ফঙহন্দনবা...

লামায় ১গী মখা... গ্যাস ফঙলিবা অসি মতৌ করম্না লাক্লিবনো হায়বসি আই ও সীগী ওফিসল, দিষ্ট্রিব্যুটরশিং, সী এফ এন্দ পি দিগী ওফিসলশিংগা পাউ ফাওনরগা নীংথিনা থবক তৌমিন্নবা চঙই হায়না দি আই পি আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তারি।

ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা ওফিসলশিং থাদুনা সর্ভে তৌহনবা মতমদা ব্লেক্তা এল পি জি গ্যাস য়োল্লম্বা মফম কয়া থেংনরকখি। সিলিন্দর ৪০ রোম থল্লম্বা মফম ফাওবা য়াওখি। এল পি জি গ্যাস ব্লেক্তা য়োনবা হায়বসি য়াদে। গ্যাস ফঙবা ৱারকপা মতমদা খুদোংচাবা লৌরগা ব্লেক্তা য়োনবগী ফিভম কয়াসু থোক্লিবনি। কঞ্জ্যুমরশিংনা ফঙফম থোকপা গ্যাসকী চাং অদু নীংথিনা ফঙহনবা তঙায়ফদে। মার্কেটতা এল পি জি গ্যাস য়োনবা লোনা য়াদে। এল পি জি হায়বসিদি আই ও সীনা শকখঙলবা দিষ্ট্রিব্যুটর খক্তনা কার্দ হোল্ডরশিংদা ফঙহনগদবা পোৎলমনি। সী এফ এন্দ পি দিগী ওফিসলশিংনসু মসি য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

সী এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা মখা তারদুনা হায়খি, নেসনেল ফূদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা ফঙফম থোকপা চেঙশিং বিনিফিসরিশিংদা নীংথিনা ফঙহন্নবগীদমক মীৎয়েং কয়া চঙলি। কার্দ হোল্ডরশিংগী ওইনা চপ চাবা চাংদা ফূদ সিক্যুরিটিগী চেঙ অসি লাকখ্রবনি। ফূদ সিক্যুরিটিগী চেঙসু মার্কেটতা য়োনবা য়াদে। ষ্টেট অসিদা হোষ্টেলনচিংবা চলায়রিবা কয়া অসিগী ওইনা মিনিমম সপোর্ট প্রাইসদা ফঙগদবা চেঙশিং থৌরাং তৌবা হৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী এফ এন্দ পি দিগী কম্মিস্নর কে রাধাকুমারনা হায়খি, এল পি জি গ্যাস ব্লেক্তা ফঙবগী ৱাফম অসি য়াম্না কুপ্না য়েংশিনবা মতম ওইরে। আই ও সীনা দিষ্ট্রিব্যুটরশিংদা এল্লোকেসন তৌখিবা চাং অমদি দিষ্ট্রিব্যুটরশিংদা লৈরিবা কার্দ হোল্ডরগী লিষ্টনচিংবা অসি আই ও সীগী মায়কৈদগী সী এফ এন্দ পি দিদা মতম চানা খঙহনবীয়ু। এল্লোকেসন তৌখিবা এল পি জিগী চাং মতম চানা সী এফ এন্দ পি দিদা খঙহল্লক্লবদি ওফিসলশিংনা নীংথিনা চেক তৌবা য়াগনি।

মী অমনা কার্দ অমদগী হেন্না পায়বনচিংবা লৈরিবশিংসু নীংথিনা য়েংশিনফম থোকই। আই ও সী অমদি সী এফ এন্দ পি দি মতম চানা পাউ ফাওনদুনা কুপ্না য়েংশিল্লবদি ব্লেক্তা এল পি জি গ্যাস থোরক্লিবা কয়া অসি থিংবদা মতেঙ ওইগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিব্যুটর অমনা ফোঙদোকখিবদা, দিমাপুর অমদি নাগালেন্দলোমদগী অথনবা এল পি জি সিলিন্দরশিং টাটা সুমোনচিংবা ময়াই ওইরপ তৌবা গাড়ীশিংদা হাপ্লগা সেনাপতিরোমদা পুশিল্লকপগী মওং কয়া থেংনরি। অথেঙবা মতমদা অসিগুম্বা মখলগী লল্লোন ঈতিক তৌরিবা মীওইশিং অসিনা গাড়ীশিং অসিদা এল পি জি গ্যাস সিলিন্দরশিং মশীং য়াম্না হাপচিল্লগা পুশিল্লক্তুনা সেনাপতিদা থারম্বগী মওং লৈ। সেনাপতিগী মফম তরেৎ হেনবদা ব্লেক্তা এল পি জি গ্যাস ফঙফম লৈ হায়বনচিংবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিব্যুটর খরনা মখোয়গী ফঙফম থোকপা ক্বোটা মশীং চাং শুনা ফঙদবা কয়াসু থেংনৈ। অসিগুম্বা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নৈ। হীরম অসিগী মতাংদা আই ও সীগী ওফিসলশিংনা নীংথিনা য়েংশিনবীদুনা ফঙফম থোকপা ক্বোটা চপ চানা ফঙহন্নবা হোৎনফম থোকই হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লখি।

আই ও সীগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা এল পি জি কঞ্জ্যুমরশিংগীদমক ফঙফম থোকপা গ্যাসকী চাং মতম চানা ফঙহন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। এল পি জি গ্যাস ব্লেক্তা ফঙবগী মতাং অসি থিংনবগীদমক য়েংশিন্নবা টাস্ক ফোর্সনচিংবা শেল্লবদি য়াম্না ফগনি। আই ও সীগী মায়কৈদগীসু অদুগুম্বা থবকশিং পায়খৎলকপদা পাঙবা য়াবা মতেঙশিং পাঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা সী এফ এন্দ পি দিগী দিরেক্তর ৱাই রঞ্জন, এল পি জি সেলস ইম্ফালগী মেনেজর চিনখানসন গুইটে, সেকমাই বোট্লিং প্লান্টকী সেনিয়র মেনেজর জেদ পানমৈ অমদি দিষ্ট্রিব্যুটর কয়াসু শরুক য়াখি।

মীওই ৯ দগী য়ু লিটর ৪০ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট এদিস্নেল এস পি (ওপস) কুমারজিৎ অমদি কম্মান্দোগী ও সী, বি ৱাইফৈগী টিম অমনা ঙসি নুংথিল শওম্বুং কবুই খুল এরিয়াদা থি-হুম্বা চথবদা মীওই ৯ গা কোন্ননা য়ু লিটর ৪০ ফারে। মখোয় ৯ লম্লাই পুলিস ষ্টেসনদা য়ুগা কোন্ননা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। নীংশিংবা য়াবদি মণিপুরগী মফম কয়াদা পুলিস অমদি নার্কোটিক সেল পুলিসনা লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঙাক চাবা অমদি য়োনবা কয়াগী মথক্তা দ্রাইব চথদুনা ফাগৎপগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। লোয়ননা দ্রাইব অসি মখা তানা চথখিগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

প্রধান অহুম, ৱার্দ মেম্বর ৩৮৬ ...

লামায় ১গী মখা... এস দি ও মোইরাংগী মখাদা ৩৮, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও কক্চীংগী মখাদা ৩৫, রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও ৱাইখোংগী মখাদা ২৯ অমসুং রিটর্নিং ওফিসর/এস দি ও জিরিবামগী মখাদা ৮ নি। অদুমকপু জিল্লা পরিষদকী ওইনদি মফম অমত্তদা অনকন্টেষ্ট কাবগী পাউ লৈতে। মীরেপ ওইবা য়ারে হায়না লাউথোকখ্রবশিং সীট অমদা ২ নৎত্রগা ৩ দগী হেন্না লম্বা তৌনরগনি হায়রি।

বোর্দর এরিয়াদা বন্দ ...

লামায় ১গী মখা... এনা চীফ মিনিষ্টরদা পীবা মেমোরেন্দম অমদা হায়, অসিগুম্বা কেবিনেটকী ৱারেপ অসিনা মণিপুর য়াওনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ১৭ তা বি এ দি পিগী চৎনরিবা গাইদলাইন অদুগী মায়োক্তনি। লোয়ননা অতম্ননা নৎত্রগা নাকোইননা খুলগী চীফ অমগী রাইট, ফঙ্কসন অমসুং শক্তিদা শীংনবনি লোয়ননা কষ্টমরি লোগী মায়োক্তনি হায়রি।

এ এম বি এ দি এগী প্রসিদেন্ট থাংখোলান বাইতেনা ফোঙদোরকপদা বন্দ অসি মণিপুরগী বোর্দর এরিয়া ওইরিবা চান্দেল, তেংনৌপল, কামজোং, উখ্রুল অমসুং চুড়াচান্দপুর অমসুং ফের্জোল য়াওনা পাঙথোক্কনি। বন্দ অসি পুম্নমক্লা শৌগৎপীয়ু। মসি ত্রাইবেলশিংগী রাইট ঙাক শেন্দুনা থম্নবা খোঙজং অমনি। বন্দ অসিনা প্রেস, মেদিকেল, ইলেক্ট্রিসিটি, এয়রপোর্ট অমসুং ৱাটর সপ্লায়দি কোনশিল্লোই। কেবিনেট মীফমনা লৌখিবা ৱারেপ অদু মণিপুরগী ত্রাইবেলশিংগী লম মপুগী শক্তি অমসুং রাইটপু শীংনবনি হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

মহৈরোয়শিংনা মতম ঙাক্লা ...

লামায় ১গী মখা... রিক্রুটমেন্ট তৌসি হায়রগসু রিজর্বেসনদা অমুক কায়রকপা তাই। ষ্টেট অসিদা প্রাইভেট স্কুল য়াম্না লৈরে। স্কুলশিং অসিগী য়ুনিফোর্মশিং অসি ৱিবরশিংদা সিৱিং মেছিন পীরগা য়ুনিফোর্মশিং অসি সপ্লায় তৌরগদি মীওই কয়া থবক পীবা ঙমগনি।

মণিপুরদা থবক ফঙদ্রিবা আই টিগী লমদা হৈরবা নহা কয়া অমসু লৈরি। মার্কেটিং তৌনবা ৱেবসাইট অমা হাঙদোক্লবদি মপান লৈবাক কয়াদা লমদম অসিগী পোৎলমশিং অসি পাম্বা য়াওরকপা মতমদা কন্টেক তৌরক্তুনা পোৎ লৌরবদি লমদম অসিগী ইকনমিদা ফগৎহল্লকপা য়াই। খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা প্রোব্লেমশিং অসিগী সোল্যুসন করম্না পুথোক্কদগে হায়বসি নৈনবা চঙই। মহৈরোয়শিংনা থকশি খাসি য়াম্না মরু ওই। খুন্নাই অসিদা থকশি খাসিগী মশকশিং খরা খরা শিথরকপগী মমী উই। ঐখোয়গী কলচরদি ফজৈ হায়রগা অহল লমনশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎপা মমাংঙৈদা ওজা খুরুম্নবগী চৎনবী অদু মাঙথরকপগুম তৌই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর কোলেজগী রিটায়র্দ প্রিন্সিপাল এল সদানন্দনা হায়খি, ঐচ এস এল সী ইগজাম পাস তৌরগা লোয়বা নত্তে। পুন্সিদা মখোয়না মঙলিবা মঙ অদু মঙফাওনবা হোৎনবদা চৎকদবা লম্বী অসি য়াম্না শাংই। লম্বী অসি চৎপা তায়। অফবা মীওই অমা ওইদুনা খুন্নাইদা অচৌবা কন্ট্রিব্যুসন পীবা ঙম্নবা হোৎনবা চংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. চিঙাংবম সরতনা হায়খি, বোর্দনা পীরিবা মনা অসি অহানবদগী ১০ শুবা পোজিসন ফাওবদা পী। মার্ক য়াম্না ৱাঙনা ফঙবা মহৈরোয় কয়াদসু মনা পী। বোর্দ লীংখৎখিবা অসি মীয়াম য়াওদনা চলায়বা ঙম্বা নত্তে। কোইসন শেম্বা অমদি মার্ক য়েংবনচিংবা কয়া অসি ওজানা তৌবা ঙাক্তনি। ওজাশিংনা মার্ক নীংথিনা য়েংলগা লেপ্পকপগী মতুংইন্না পোজিসনশিং মথং মনাও নায়না লাকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

উকিল নেক্নবা পুলিসনা ফন্দ ...

লামায় ১গী মখা... অমরোমদা, মণিপুরদা থোকখিবা খুৎশেমগী খুৎ থোক্নবা থৌদোকশিং য়েংশিন্নবগী মতাংদা চথবা ইনভেষ্টিগেসন য়েংশিন্নবা দি আই জিদগী তাদবা ওফিসর অমা খনগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে।

ওগষ্ট ২২ দা পীখিবা য়াথংগী মখা তারকপদা জষ্টিশ মদন বি লোকুর অমসুং জষ্টিশ উদয় উমেশ ললিটকী বেঞ্চনা হায়খি মদুদি, মণিপুরদা থোকখিবা ফেক এনকাউন্টরগী থৌদোকশিং য়েংশিন্নবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসনগী ওফিসর মঙানা শাবা টিম অমা শেম্লে হায়বা খঙলে। মওং মরিল চুম্না ইনভেষ্টিগেসন চথহন্দুনা মপুং ফানা লোইশিনহন্নবগী পান্দমদা দি আই জিদগী তাদবা সিনিয়র ওফিসর অমনা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনগদবনি হায়না বেঞ্চ অদুনা খঙহনখি। বেঞ্চ অদুনা হায়খি, ইনভেষ্টিগেসন টিমগী মেম্বরশিং সুপ্রিম কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা হোংদোক-হোংজিন তৌরোইদবনি অমসুং জুলাই ১৪ দা পীখিবা ৱায়েলগী মতুংইন্না থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথুগদবনি। হায়রিবা ৱাফম অসি মোনিটরিং ওফিসরদসু চৎনগনি হায়রি।

টিম অদুনা টেবল অহুম্মক্কী জজমেন্টতা পল্লিবা কেস খূদিংমক্কী রেকোর্দশিং কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা এফ আই আর ফাইল তৌগদবনি অমসুং দিসেম্বর ৩১গী মমাঙদা ইনভেষ্টিগেসন লোইশিল্লগা চার্জসীট শেম শাগদবনি। স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমনা হান্না খোমজিনখ্রবা পোৎলমশিং লোগী মতুংইন্না শীজিন্নবা য়াগনি। টেবল ৱানদা ভিক্টিম ৩৫ আইদেন্টিফাই তৌখিবগা লোয়ননা কম্মিসন ওফ ইনক্বারি কেসকী মখাদা থমখি।

ইন্দিপেন্দেন্ট কম্মিসন ওফ ইনক্বারিদা মণিপুর পুলিস অমদি সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী পার্সনেলশিংনা কা হেনবা থৌওং চথুখিবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। হায়রিবা ভিক্টিমশিং অদুগী মনুংদা ৩২ শিখিবগী মতাংদা মরী লৈনবা পুসিল ষ্টেসনদা এফ আই আর লোজ তৌবা মথৌ তারে হায়বা কোর্টনা খঙবা ঙমখি। টেবল অনীদা মীওই ৩৭ ফেক এনকাউন্টরদা শিখিবগী মতাংদা পুখৎলকপা রিট পিটিসনশিং গৌহাটি হায় কোর্টনা পায়খৎখি। কেস খরদা জুদিসল ইনক্বারি চথনবা য়াথং পীখি। সুপ্রিম কোর্টনা হায়রিবা কেসশিং অসিদসু এফ আই আর রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়না য়াথং তৌখি।

টেবল অহুমদা য়াওরিবা কেস ২৩গী মতাংদা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংদা কম্পেন্সেসন পীনবা খঙহনখি। সুপ্রিম কোর্টনা হায়রিবা কেসশিং অদুসু স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিমদা থিগৎহন্নবা খঙহনখি। কেস অসি মথং চহীগী জান্যুৱারীদা হিয়ারিং চথরগনি।

ষণ অমা ফর্ষ্ট এইদ পীখ্রে: পিএফএ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থাঙ্গপাৎ মপান ৱাঙ্খোদা মশা ঙমদনা লৈরম্বা ষণ অমা পীপল ফোর এনিমেলনা ফর্ষ্ট এইদ পীখ্রে।

পীপল ফোর এনিমেল মণিপুরগী মেনেজিং ট্রষ্টি এল বিশ্বজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থাঙ্গপাৎ মপান ৱাঙ্খোদা ষণ অমা মশা য়াম্না ঙমদনা লৈরম্বা থেংনখি। লমদম অদোমগী মীওই কয়ানা ষণ অসি কন্দুনা থল্লমখি। পাউ অসি তারকপদগী পীপল ফোর এনিমেল মণিপুরগী টিম অমনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা ষণ অদু ফর্ষ্ট এইদ পীখি। লোকেল ভেটিরিনরি ডোক্তর অমনসু মতেঙ পাঙলকখি। ষণ অদু হিট ষ্ট্রোক ওইরম্বা য়াই। ষণ অসি হৌজিক লমদম অদোমগী মীয়াম্না ঙাক শেন্দুনা থম্বীরি। ষণ মপুনা পীপল ফোর এনিমেল মণিপুরদা কন্টেক তৌবীবা য়াগনি। মোবাইল নম্বর ৯৮৬২১০৭০৬৩ দা পাউ ফাওরকপা য়াগনি। অমরোমদা থাংমৈবন্দ মায়কৈদগী মশা ঙমদবা হুই অমোম অমসু রেস্ক্যু তৌখ্রে।

হুই অদু ক্রোনিক রেক্তেল এন্দ ভেজাইনেল প্রোলেপসিনা নাবনি। হুই অদু ঙসি ষ্টেট ভেটিরিনরি হোস্পিটাল সঞ্জেনথোংদা লায়েংখ্রে হায়নসু পীপল ফোর এনিমেল মণিপুরগী মেনেজিং ট্রষ্টি এল বিশ্বজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি। পীপল ফোর এনিমেলগী টিমনা থাঙ্গপাৎ মপান ৱাংখেদা ষণ অমা মশা ঙমদনা লৈরে হায়বা তাবদগী থুনা চঙশিন্দুনা লায়েংবগী থবক চথখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা পল্লি।

য়ু এন এল এফকী কাদর ৩ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩০ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি ৫শুবা জে কে রাইফলসকী কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ু এন এল এফকী কাদর অহুম তোঙান-তোঙানবা মফমদগী খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী এস পিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি কবিব কেনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি অয়ুক পুং ৫ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কিয়াম ময়ায় লৈকায়দা লৈবা সলাম বিরচন্দ্র এলিয়স পোইরৈতোন (৩৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা নরান বাবু কৌবা অমা ময়ুমদগী ফারে হায়রি।

মঙোন্দগী দি বি বি এল গন্দগী শেমদোক্লবা নোংমৈ অমা, অঙৌবা মচুগী মারুটি জিপসি (এম এন ১এ-৪৯৭৭) অমা, শাশিন্নবা লাইসেন্স গন অমা, মোবাইল হেন্দসেট অমা ফংলে হায়রি। মহাক্কী মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মঙোন্দগী ফারবা জিপসি অদুদা থোঙগী নাকল অমদা এস দি এম কে/আই দব্লিয়ু, মখাদা ৪৯/৭৭ থাই। থোঙগী নাকল অমদনা সী দি ও/ইম্ফাল ৱেষ্ট থারম্মী। লাইসেন্স গন অদু শাশিন্নবা ওইরম্লে।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি অয়ুক পুং ৯.২৫ রোম তাবদা মুতুম নাওবী এলিয়স মহিন্দ্র (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা কলাচান্দ কৌবা নোংমৈবুং পুঙ মখোঙদগী লাক্লগা হৌজিক্লা খংলাবুং সোইবম লৈকায়দা লৈবা য়ু এন এল এফকী কাদর অমসু হট্টা মনাক্তা লৈবা ওরিএন্ট হোটেল মনাক্তগী ফারে হায়রি। মঙোন্দগী য়ু এন এল এফকী ফাইনান্স সেক্রেটরিনা সাইন তৌবা দিমান্দ লেট্টর অনী ফংলে হায়রি।

কম্বাইন্দ টিম অসিনা মখা তানা থি-হুম্বা চথবদা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৪৫ রোম তাবদা কৈরাও মক্তিং মখা লৈকায়দগী এম দি য়ুনুস খান (৩০) অপোকপা এম দি চাউবা খান কৌবা অমা ফারে। মঙোন্দগী মেরুন মচুগী মারুটি সুজুকি অল্টো (এম এন ০১একে-৩৯৮৩) অমা, মোবাইল হেন্দসেট অমা, সিম কার্দ অমা ফংলে হায়রি। য়ু এন এল এফকী ওভর গ্রাউন্দ ৱার্ক তৌবা মীওইনি হায়রি। মহাক য়ু এন এল এফকী মশানা মশাবু মেজর বোইচা এলিয়স লুখোম্বা এলিয়স ইমোচা কৌবা অমগী মখাদা থবক তৌদুনা বাবুপারাদগী শেল খোমই হায়রি।

তোংজৈ মরিল লম্বী ...

লামায় ১গী মখা... অমুক লৈররোই হায়নসু হয়েং থবক্তগী পোথারগদবা চীফ এঞ্জিনীয়র অসিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। তোংজৈ মরিলগী লম্বী অসি শরুক অনী থোক্লা খায়দোক্লি। লম্মাংদোং কৈথেলদগী কিলোমিটর ২০ শাংবা লম্বী মতেক অসিনা এ দি বিগী শেন্থং মখাদা পায়খৎপনি। বিষ্ণুপুর, কাংপোকপী অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংখক্তা নৎতনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা য়াইরিপোক ফাওদুনা চৎলগা কসোম খুল্লেন তাবা লম্বী অদুসু শেন্থং অসিগী মখাদা পূন্না য়াওরি। লম্বী অসি শেম্বদা চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ২০৯ রোম চঙগনি হায়না পানরি।

তোংজৈ মরিলগী কিলোমিটর ৯১ শাংবা লম্বীগী শরুক অসিনা চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ৯২ রোম চঙগনি হায়না পানরি। হায়রিবা লম্বী অসি মপুং ফানা শেম্বা লোইরগদি জিরিবাম রোমদগী বিষ্ণুপুর রোমদা লাকপদা খ্বাইদগী তেনবা লম্বী ওইরগনি। মসিগীসু মথক্তা লম্বী অসি নীংথিনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরগা শেম্বা মরম্না লম্বী ফত্তবগী চোংবা হায়বদু লৈরোইদৌরি। তোংজৈ মরিলগী শেম্লিবা লম্বী অসি বিষ্ণুপুরদগী কিলোমিটর ১১৯ লাপ্পা মফমদা লৈবা রেংপাং ফাওবনি। হায়রিবা রেংপাং খুল অসি নেসনল হায়ৱে ৩৭ দা ইম্ফালদগী চৎলগসু কিলোমিটর ১১৯ লাপ্পী হায়রি।

থাজবা য়াবা পাউগী ছোর্স অমনা হায়, মরুওইখ্রবা প্রোজেক্টশিং অসি পায়খৎপদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতম চানা ফন্দ থাদোক্তবনা থবক তৌবদা খুরৌ থাংহল্লি। মতম চানা লোইশিনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। সেন্টরনা মতম চানা ফন্দ পীরক্লবসু মণিপুর লৈঙাক্লা থাদোক্তবদগী অৱাবা অসি মায়োক্লরকপনি। থা ৩গী মমাঙদা সেন্টরনা ফন্দ থাদোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবা প্রোজেক্টশিং অসিগী শেনফমদি মরী লৈনবা ৱার্ক এজেন্সীশিংদা ষ্টেটনা পীবীদ্রি। খোঙচৎ অদুদা পি দব্লিয়ু দিগী সুপরিনটেন্দিং এঞ্জিনীয়র য়ুম্নাম জয়কুমার অমসুং এন সুভাস অমদি একজিক্যুটিব এঞ্জিনীয়র কয়ামরুমসু শরুক য়াখি।



GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF PERSONNEL & ADMINISTRATIVE REFORMS
(PERSONNEL DIVISION)

ORDERS BY THE GOVERNOR : MANIPUR
Imphal, the 30th August, 2017

No. 25/2/2009-MFS/DP(Pt) : The Governor of Manipur is pleased to order the transfer and posting of the following Officers with immediate effect and until further orders in public interest:-

	Name of Officer	Present place of Posting	New Place of Posting
1.	L. Bikram Singh, MCS - I	Deputy Secretary (Finance/DP) & Director, Treasuries & Accounts and MIS in addition	Deputy Secretary (Finance/DP) & Director, MIS in addition
2.	Ch. Ajit Singh, MFS - I	JD(Budget) & ex-officio DS(Finance)	i/c Director, Treasuries & Accounts (in his grade pay)
3.	Kongkham Herojit Singh, MFS - II	Deputy Director(Fin Commission) & ex-officio Under Secy (Finance) & FO/MTU on deputation	Deputy Director(Fin Commission) & ex-officio Under Secy (Finance)
4.	G.S. Joyrita, MFS-II	TO/ Senapati	TO/Ukhrul
5.	Lohrii Nenuo Joseph, MFS-II	TO/ Ukhrul	TO/ Senapati
6.	Thangbiaklian, MFS-II	TO/Chandel	FO/Manipur Technical University on deputation
7.	Md. Siraj Ahamad, MFS - II	DFA/Agriculture & DFA/Adult Edn	TO/Chandel
8.	K. Ngazeklei, MFS - III	STO/ Imphal	ATO/Ukhrul
9.	E. Kamal Singh, MFS - III	FO/ YAS	Supdt. of Taxes
10.	L. Sanjitkumar Singh, MFS - III	FO/Horticulture	FO/Horticulture & FO/ICDS in addition
11.	Konsam Prince Singh, MFS - III	STO/ Wangoi	ATO/ Churachandpur & i/c TO/Churachandpur in addition
12.	K. Rebecca Vaiphei, MFS - III	ATO/ Churachandpur & i/c TO/Churachandpur in addition	ATO/ Thoubal & i/c TO/Thoubal in addition
13.	Ashihru Dikho, MFS - III	ATO/ Thoubal & i/c TO/Thoubal in addition	ATO/ Senapati
14.	Ningreingam Shimrah, MFS - III	Under order of transfer as FO/Social Welfare	Finance Controller/ MSRRDA on deputation
15.	Bobby Singh Moirangthem, MFS - III	FO/ Tourism & FO/RUSA in addition	AFA/Power & OSD(Finance), MSPDCL in addition
16.	Thongam Gunindro Singh, MFS - III	AFA/Power & GM (MSPDCL) in addition	FO/ Tourism, FO/RUSA & AO/IMC in addition
17.	Pangambam Merry Devi, MFS - III	Under order of transfer as Financial Controller, MSRRDA and FO, RD & PR (in Secretariat) in addition	Audit Officer/ LFA
18.	Mohammed Rabban Shah, MFS - III	FO/Manipur Cultural University on deputation	FO/Manipur Cultural University on deputation & FO/Art & Culture
19.	Sanatombi Bachaspatimayum, MFS - III	FO/Art & Culture & FO/Manipur State Transport in addition	AFA/Power (DGM(Finance), MSPCL) and FO/RD&PR (in Secretariat) in addition
20.	Wanneilen Serto, MFS -III	ATO/ Ukhrul	Finance Controller/SSA on deputation
21.	Lucy Haokip, MFS -III	Assistant Director/Treasuries & Accounts & STO/Saitu Gamphazol in addition	Assistant Director/Treasuries & Accounts and FO/Weights & Measures in addition
22.	P. Sonika, MFS -III	Assistant Director/LFA	Assistant Director/LFA & Savings Promotion Officer in addition
23.	Sushil Kumar Ningombam, MFS -III	Internal Audit Officer/CAF&PD and FO/Weights & Measures in addition	STO/ Imphal
24.	Soihemlu Palmei, MFS - III	Audit Officer/LFA	Assistant Director/Treasuries & Accounts and FO/Fisheries in addition
25.	Natalidata Ningthoukhongjam, MFS -III	AFA/Power & DGM(Finance), MSPCL and FO/Labour in addition	FO/YAS and FO/Labour in addition
26.	Gonmei Bosco Singamlung, MFS -III	ATO/Chandel	STO/Wangoi
27.	Rongheingam Saka, MFS -III	FO/Craftsmen Training & FO/Eco & Stats in addition	FO/Social Welfare & FO/Eco & Stats in addition
28.	Kh. Amarjit, MFS -III	FO/TD	FO/TD & FO/IPR in addition
29.	N. Basanta Singh, MFS -III	Audit Officer/LFA & Finance Controller/SSA in addition	Audit Officer/LFA, FO/Transport & FO/Manipur State Transport in addition
30.	G. Mala Devi, MFS -III	FO/ Fishery	ATO/ Lamphel
31.	S. Ngaihi, MFS -III	FO/ ADC, Ukhrul	FO/ Craftsmen Training
32.	A. Wontimla, MFS -III	ATO/Senapati	FO/ ADC, Ukhrul
33.	Rebek Lalparvul, MFS -III	Audit Officer/LFA & FO/ICDS in addition	Audit Officer/LFA & STO/Saitu Gamphazol in addition

By Orders & in the name of the Governor,
30/8/17
(Arna Arambam)
Deputy Secretary (DP)
Government of Manipur

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF TAXES

NOTICE

Imphal, the 30th August, 2017

No. Tax/4(53)/IMP/GST-NOTN/2016/ : It is hereby informed to all the dealers that invoice-wise details in the regular Form GSTR-1, GSTR-2 and GSTR-3 would have to be filed for the months of July 2017 and August 2017 as per the timelines below:

Return for the Month of	GSTR-1	GSTR-2	GSTR-3
July 2017	1-5 Sept 2017	6-10 Sept 2107	11-15 Sept 2017
August 2017	16-20 Sept 2017	21-25 Sept 2017	26-30 Sept 2017

In this regard a hands-on training for the Stakeholders/dealers/private facilitators will be held at the Training Hall of the Department at **Old Guwahati High Court Building, North A.O.C., Imphal West, Manipur**. The said training will start from 1st September, 2017 from 11:00 a.m to 5:00 p.m. on all working days.

***Sd/-* Hrisheekesh Modak**
Commissioner of Taxes, Manipur

HL-B/4101/31